# স্পোর্টস এসোসিএসন্দা অনী থোকপীগী ৱাথোক তোইনা লাক্লিবসি গভর্ণমেন্টনা লাকশিনবা ঙমগদবা কাংলোন অমা শেম্বীয়ু

ঐখোয়গী মীয়াম্না ইতৎ-তৎতনা হায়নবা ৱাহৈ অমা লৈ। মণিপুর হায়বসিদি অনী থোকপীগী লমদমনি। ঐখোয় মশেলসি পুন্না থবক তৌমীন্নবা হৈতবা, মতিক চাবা-চাদবা থিদনা লোইনমক লিদর ওইনিংবা অমা লৈবগুম তৌই। মসিননি লমদমসিদা এসোসিএসন, ওর্গনাইজেসন মকুপ মকুপ মশিং থিঙমদনা লৈরিবনি। হায়রিবা মওংসি শান্নবগী এসোসিএসনশিংদসু অদুম মমি তাই। অদুবু স্পোর্টস এসোসিএসনদা অনী থোকপা হায়বসিমদি শান্নরোয়শিংদা অদুক্কী মতিক শোকই। কাংলুপ অনী খায়দোক্তুনা মুক্নরকপা মতমদা চাওনা মাঙজরিবসিদি প্লেয়রশিংদনি। মসিনা মণিপুরগী স্পোর্টসতা হেন্না মশক থিহনবতা নত্তনা শান্ন-খোৎনবগী হীরমদসু লৈখা তাহল্লি।

হান্নদি অসিগুম্বা লায়না অসি শুপ্নগী এসোসিএসন খরখক্তা লৈবগুম তৌরম্মী। অদুবু ঙসিদি স্পোর্টসনা মী অমগী লাইবক লেপ্তুনা কেরিয়র শেম্বা য়ারকপা, শান্নবগী অথোইবা মতিক ময়াই খঙনরকপদগী এসোসিএসন্দসু জাৎ-জাৎ মীৎয়েং থম্বা হৌনরক্লে।

অমরোমদা, স্পোর্টস এসোসিএসন্দা হি-য়াই মুন্নবগুম অনী/অনী শেগাক-শেগাক খায়দোক্লগা অঙম তান্নদুনা মুক্ন বা অমা তোইনা থোরক্লিবসি অমুক্তং কুপ্না থিদোকমীন্নবা চুমগনি। ঙসিদি ষ্টেটসিদা লৈরিবা স্পোর্টস এসোসিএসন ময়ামসি অনী থোকপীনা অয়াম্বা ওইরক্লে। মরম অদুনা মিদিয়াদা তোইনা নুংঙাইতবা পাউ কয়া থোরক্লে। মসিনা শান্নরোয়শিংদসু খুদোংচাদবা কয়া ওইরে।


মণিপুরদা য়াম্না ঙকপা অমসু লৈ। স্পোর্টস এসোসিএসন নত্রগা ওর্গনাইজেসন্দা লিশাং শীৎনা সেক্রেটরি, প্রসিদেন্ট পুরকপশিং অসি মখোয়গী ফম পায়বগী মতম লোইখ্রবসু অদুম তুং-কোইনা হেক শিদ্রিফাওবা পায়নিংবগী ফিভম অমা লৈবগুম তৌই। লমদমসিদা ইতৎ তত্তনা মুক্নবা, শাওনবা থোকহল্লিবসি তশেংবদি ইন্দিয়াগী ময়োল লমদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসন অসি য়াওদবা নত্তে। মপান্দা ফেদরেসন অনী অসি য়াওদবা নত্তে। মপান্দা ফেদরেসন অনী থোকখ্রবদি মণিপুরদসু অনী অদুম লাকপা কয়াসু য়াওরি। মসি নত্তবীদা, ফেদরেসন অমত্তং লৈবা ওইরবসু হান্না পায়রম্বা কাংবুনা ফম থাদোক্লিংদ্রবদি মরক্তা ৱাথোক অদুম শাগৎপা য়াই। মসি তোইনা থোকপা ৱাফম ওইবনা ফজদবা ফিভম অমদসু লাক্লে। এসোসিএসনদা ফম মুন্নবা, সেক্রেটরী, প্রসিদেন্ট ওইনিংবা, এসোসিএসন পায়শিনবা পাম্বগী হিদান্নবা অমা লাক্লিবসি কুপ্না থিবদা থোইনা লুগদবা ৱাফমদি নত্তে। মণিপুরগুম্বা পীকখ্রবা মফম অসিদদি কনানা করি তৌরিবগে হায়বসি খরদংবু থিরবদি ইরায় লায়না ফঙগদবা ঙাক্তনি। হীরমসিদা মরী লৈনবা কাংবুনা অচুম্বা ৱায়েল পীবা ঙমদ্রিবসিসু পুক্নিং থিংজিনবা ৱাৎপদগীনি। স্পোর্টস এসোসিএসন অসিদা মীয়াম্না ইখঙ-খঙনরবসু কোর্টতা কেস তৌনদুনা অচুম্বা ৱায়েল ঙাইবসু য়াওনরি। অদুনদি এসোসিএসনশিং অসিগী মরুমদা করি করিনো খরদি লৈরে হায়বা তাক্লি। মুন্নরিবসিনদি মরম অমা লৈফম থোকই।

অশেংবমকসু, ফেদরেসন্দা, ষ্টেট এসোসিএসন্দা অচৌ-চাউখৎ-খোঙথাংদা কয়া য়াম্না মতেং পাঙলকপগে হায়বদুসু নৈনবদা কান্নগনি। মতম শাংনা মিদিয়াদা লৈজরকপদগী উরকপা খরসু অদুম লৈজে। অচৌ-অচৌবা

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
স্পোর্টস এসোসিএসন্দা মীৎয়েং অমা

অচৌবা ফম পায়দুনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা ইন্দিয়াগী টিম পুদুনা চৎলম্বশিংনা মদুগী নুংঙাইখিবা খুদোংচাবশিং অদু পাক থাদোক্লিংদে। অমুক্তংবু পায়খ্রবদি থাদোক্কে হায়বা ৱাখলসু লৈতে। মসিগুম্বা অসিনসু এসোসিএসন অনী থোরক্ন বগী মরম অদুম ওইরকই।

তোঙান-তোঙানবা এসোসিএসন খরগী মরু ওইবা মীশক খরা নৈনবা মতমদা, হায়রিবশিং অসি লায়না পুথোকপসু ঙমগনি। হায়রিবা কাংবু অসিনা মণিপুরগী স্পোর্টস মুভমেন্টতা ফম পায়শিল্লগা মশক থোকপা থবক্তী ইতৌ তৌথোরক্তংবা স্পোর্টসকী মীনি হায়বদা পকচদবা, মওং-মরিন তাদবা কয়াসু ঐখোয়গী ইরকসিদা য়াওরি। স্পোর্টস নুংশিবা শাবা মশাগী ওইজবনা মাঙ থাবা, শান্নবা য়োকখৎপগী নাম্মাদা শেরান-তুরান তৌবা কয়াসু লৈরি। করিগীদমক এসোসিএসনদা য়েৎনবা তোইনা থোকহনগদৌরিবনো? এসোসিএসন অমা হায়বসি মশা মশাগী চৎন- কাংলোন লোইনা লৈনরিবা ঙাক্তনি। হায়রিবা চৎন-পথাপশিং অদু কায়দনা চৎপদনা কনাগা কনাগা য়েৎনফম লৈগদগে? থোকহন্নিংদবা কয়া থোরক্লিবসিদি চৎন-কাংলোনগী ৱাংমদা চৎলকপা, নম্ফুদা তৌনিং-তৌনিংবদা তৌনরকপা, স্পোর্টসতা মরম চাদবা কয়া পুশিন্দুনা খাবৈ-খরা শাদুনা ওৎনরকপদগীনি। অরানবা মওংদা পৱার এক্সর্সাইজ তৌনরকপদগীনি। তোইনা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসি লোইশিনবা ঙম্নবা, হৌজিক্তি মরী লৈনবা কাংবুনা অনৌবা কাংলোন শেমদুনা কন্ট্রোল তৌননবা হোৎনবা চুপ্লে। মরম চাদনা খৎনবা, এসোসিএসন মুন্নবগী ৱাথোক-লান্থোক লোইশিনবা ঙমগদবা অনৌবা কাংলোন অমা অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনসু পুথোক্লবা খন্নবীরো। নত্রবদি মণিপুরগী স্পোর্টসতা ফজদবা কয়া উরক্লগনি।



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৭

১) হিটলরনা জর্মনিগী লৈঙাকপা ওইরিঙৈদা জিয়ুশিংবু ওৎ নৈখিবদা নত্তনা মখোয় কয়ামুকসু হাৎখি। মরম অদুনা জিয়ু শান্নরোয় অমদি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেনখি। কুমজা ১৯৩৬তা বার্লিন্দা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা জর্মনিনা লৈবাক অদুদগী চেনখিবা জিয়ু শান্নরোয় অদু অমুক হন্না কৌদুনা (মহাক হল্লক্তুনা) ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্কী মমিং করিনো?

২) ওলিম্পিক গেমসকী টিমগী থৌরম অমদা লৈবাক অমনা কুমজা ১৯২০দগী কুমজা ১৯৫২ ফাওবগী মনুংদা মেচ ৩৭ লক মায় পাকখি, ৩ লক পোখি। লৈবাক অদুগী মমিং পীয়ু।

৩) অহানবা পান অমেরিকান (Pan American) গেমসতা মিটর ১০০গী লমজেলদা মকোক ওইখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈগী চহী ৩৮৮গী মমাংদা ওলিম্পিয়া (OLYMPIA)দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক অমদা তিল্লিবা গ্রিস মীয়াম অদুদা ৱা ঙাঙদুনা তাহনখিবা গ্রিসকী ৱাঙাংলোয় অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঙাঙোম বালা স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স এফ সিদা ট্রায়ল হৌখ্রে

গ্লাসগো, নবেম্বর ২২(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবী ঙাঙোম বালা স্কোটলেন্দগী প্রিমিয়র লীগতা শরুক য়ারিবা স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স এফ সিদা ট্রায়ল হৌখ্রে।



স্কোটলেন্দগী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা রেঞ্জর্স এফ সি লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা স্কোটিস প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়াদুনা হন্দক্কী সিজনদা ৪শুবা পোজিসন তাখি। ইন্দিয়াগী ক্লবা বেঙ্গালুরু এফ সিগা মাংজৌননা রেঞ্জর্স এফ সিগা পার্টনর্সিপ অমা লৈখি। মদুগী মতেংনা মণিপুর মচা ঙাঙোম বালানা ক্লব অদুগী শান্নরোই ওইবা য়াগদ্রা হায়বগী ট্রায়ল অদু কৌরকপনি।

ঙাঙোম বালা ইন্দিয়াদা ইহান হানবা ওইনা পাঙথোকপা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০১৬-১৭তা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবতা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ শরুক য়াখি। হায়রিবা সিজন অদুগী ফাইনেল রাউন্দদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ফুটবোল ক্লবতা শরুক য়াখি। মখা তারকপা সিজনদা মণিপুরগী অতোপ্পা ক্লব ক্রিপসা এফ সিদা শরুক য়ারবা মতুং কুমজা ২০১৮-১৯গী সিজনদা মণিপুর স্পোর্টিং ক্লবতা অমুক শরুক য়াখি।

মহাক এ আই এফ এফনা কুমজা ২০১৪ অমসুং ২০১৫দা ৱিমেন্স প্লেয়র ওফ দি এয়রগী মনা পীখি। মহাক্না থা অসিগী ১৯দগী রেঞ্জর্স এফ সিদা ট্রেনিং চত্থরকপনি। অনৌবা এক্সিপিরিয়েন্স অমা ফংবা অসিদা কান্নবা ওন্থোক্লবা মহাক্কী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন অমসুং কিরন জোর্জনা স্কোটিস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলসকী ২শুবা রাউন্দদা থেংনরগনি

গ্লাসগো, নবেম্বর ২২(এজেন্সী):
স্কোটলেন্দগী কোনুং গ্লাসগোদা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা স্কোটিস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ২ লক্ষ্য সেন অমসুং কিরন জোর্জ অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনরগনি।




টুর্নামেন্টসিগী নম্বর ১ সিদেদসু ওইরিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ঙরাং শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় লুকা ৱাবরগা লম্বা তৌনখি। মদুদা লক্ষ্য সেননা ইৱা ৱাদনা ষ্ট্রেট গেম ২দা থোইবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু লক্ষ্য সেননা পোইন্ট ২১-১৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেমদা মহাক্না অমুক্কা হেন্না ফজরকপদগী ২১-৮দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কিরন জোর্জগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

কিরন জোর্জনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক স্কোটলেন্দগী জে াসুৱা এপিলিগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম কিরন জোর্জনা ২১-১৫দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা গেমদা অমুক্কসু ২১-১৪দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌরকখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় অনী অহানবা রাউন্দ লান্থোকপা ঙমখিদে। রাহুল বর্দ্বাজনা অহানবা রাউন্দদা য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ফ্রান্সকী শান্নরোয় লিওরোসিগা থেংনখি। অহানবা গেম লিওরোসিনা ২১-১৫দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী বর্দ্বাজনা ২১-১১দা থোইদুনা অহুমশুবা গেম লম্বা তৌনরকপদা ২১-১৭দা রোসিনা থোইখিবদগী অহানবা রাউন্দদা লৈহৌবনি।

অতোপ্পা শান্নরোয় মিথুন মঞ্জুনাথনা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ ইংলেন্দগী টোবি পেন্তিগা লম্বা তৌনবদা ১৮-২১, ১৮-২১দা মায়থীহৌখি। টোবি পেন্তি অমসুং লিওরোসি অনীশুবা রাউন্দদা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ স্পেনগী পাব্লো অবিয়ান অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী খৃষ্টো পোপোপনা ২১-১৬, ২১-১৭দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় শ্রি কৃষ্ণ প্রিয়া কুদরাভলিনা অহানবা রাউন্দদা ঙসি অথেংবগী মেচ অমা ওইনা দেনমার্ককী লিনে খৃষ্টোফরসেনগা শান্নরগনি।

# দেবিস কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা সেমিফাইনেলদা কানাদা অমসুং রসিয়া লম্বা তৌনরগনি




মাদ্রিদ, নবেম্বর ২২(এজেন্সী):
স্পেনগী মাদ্রিদ সিটিদা থা অসিগী ১৮দগী হৌখিবা দেবিস কপ ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াবু থোইদুনা কানাদানা সর্ভিয়া থোইরম্বা রসিয়াগা সেমিফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি মাদ্রিদ সিটিদা লৈবা কাজা মেজিকা টেন্নিস সেন্টরদা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং কানাদা হান্না শান্নখি। অহানবা সিঙ্গল মেচতা কানাদাগী বাসেক পোসপিসিলনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু ৭-৬ (৯-৭), ৬-৪দা থোইখি।

অনীশুবা সিঙ্গলস মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী এলেক্স দি মিনোর অমসুং কানাদাগী দেনিস সাপোভালোব লম্বা তৌনবদা দেনিসপু মিনোরনা ৩-৬, ৬-৩, ৭-৫তা থোইদুনা মেচ অমমম মান্নদুনা লৈখি।

মেচ ৩ শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল অদুদা নুপাগী দবলসকী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী জোন পিয়র্স অমসুং জোর্দান থোমসনগা পেয়র ওইখি। কানাদাগী মায়কৈদগীনা বাসেক পোসপিসিল অমসুং দেনিস সাপোভালোবনা শান্নরকখি।

দিসাইদিং মেচ অদুদা কানাদাগী পেয়র বাসেক অমসুং দেনিসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন অমদি জোর্দানবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-৪, ৬-৪দা থোইদুনা কানাদা সেমিফাইনেল য়ৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা সর্ভিয়া অমসুং রসিয়া লম্বা তৌনখি। অহানবা সিঙ্গলস মেচ অদুদা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা সর্ভিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোবিসপু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-১, ৬-২দা থোইদুনা রসিয়ানা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা মেচতা সর্ভিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ২ নোবাক জোকোবিসনা রসিয়াগী কারেন খচানোবপু ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা অহুমশুবা মেচতা দবলসকী লম্বা অদুনা লাইবক লেপ্পখি। সর্ভিয়াগী মায়কৈদগী নোবাক জোকোবিস অমসুং ভিক্টর ট্রোইকিবু রসিয়াগী করেন খচানোব অমসুং এন্দ্রি রুব্লেবনা ৬-৪, ৪-৬, ৭-৬ (১০-৮)তা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী মনু ভাকরনা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ্তা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড মেদল ফংখ্রে

পুতিয়ান, নবেম্বর ২২(এজেন্সী):
চাইনাগী সিটি পুতিয়ানদা লৈবা চাইনিজ শুটিং এন্দ আর্চরি এদমিষ্ট্রেসন সেন্টরদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপকী নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌবতা নত্তনা জুনিয়রগী অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমসু থমখ্রে।



মনু ভাকরনা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদু পোইন্ট ২৪৪.৭ ফংদুনা লৌখিবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী ওইনা কুমজা ২০১৩দা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শুটর হিনা সিধুনা গোল্ড ফংখিবা অদুগী মতুংদা অনীশুবা ইন্দিয়াগী শুটর ওইরি।

মশাগী চহী ১৬তা শুরবী হিনা সিধুনা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপকী গোল্ড মেদল অনী ফংবা ঙমখ্রবনি। অদুগা কুমজা ২০১৮দা সিনিরগী কেটগোরিদা শরুক য়ারকপা হৌখি। মহাক্না মে থাদা জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা পাঙথোকপা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ্তা মিটর ২৫গী স্পোর্টস পিষ্টোলদা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা ফংজরক্তুনা ফাইনেল য়ৌখি। অদুবু ফাইনেল অদুগী ৭শুবা রাউন্দদা মহাক্কী পিষ্টোল অদুগী শরুক অমা শোইরকপদগী মেদল ফংবা ঙমখিদবনি।

হায়রিবা ৱর্ল্ড কপ অদুগী মিটর ২৫দা মহাক মায় পাকপা ঙমখিদ্রবসু থংনবা নুমিৎতা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা ৪শুবা পোজিসন তাদুনা কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

হৌজিক চাইনাদা চত্থরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা মনু ভাকর মিটর ২৫দা স্পোর্টস পিষ্টোলদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে। অদুবু মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মিক্স টিম ইভেন্টতা রসিয়াগী শুটর অর্টেম চর্নোসোবকা পেয়র ওইদুনা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী নুপাগী শুটর শৌরব চাউধুরি অমসুং গ্রিসকী শুটর অনা কোরাকাকিগী পেয়রগা গোল্ড মেদলগী মেচ অদুদা লম্বা তৌনখি। ফাইনেল অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ভাকর অমসুং অর্টেমনা শৌরব অমসুং অনাদগী পোইন্ট ২৮তা শোথদুনা লৈখি। অদুবা রসিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা মখা তারকপদা য়াম্না ফজদুনা পোইন্ট ১১-১১ ফাওবা মান্নরকখি। মদুদগী ভাকর অমসুং অর্টেমনা ফজবা হেল্লক্তুনা শৌরব অমদি অনাবু পোইন্ট ১৭-১৩দা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি।

# জপানগী অকানে য়মাগুচি কোরিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমিফাইনেল য়ৌখ্রে

2019 GWANGJU KOREA MASTERS






গ্বাংজু, নবেম্বর ২২(এজেন্সী):
থা অসিগী ১৯দগী হৌরকখিবা কোরিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯দা নুপীগী সিঙ্গলসকী ওইনা নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবী জপানগী অকানে য়ামাগুচি সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা অকানা য়ামাগুচিনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু সাউথ কোরিয়াগী লি সে য়োনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-৯, ২১-১৫দা মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী আন সে য়ংগা লম্বা তৌনরগনি। য়ংনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী সিম য়ু জিনবু ২১-১৩, ২১-১৩দা থোইরমখি।

নুপীগী অতোপ্পা সেমিফাইনেলদা জপানগী সিনা কৱাকামি অমসুং সাউথ কোরিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ সুং জি য়ুনগা শান্নরগনি। কৱাকামিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী ঝাং য়ি মানবু ২১-১৪, ২১-১৬দা থোইরমখি। অদুগা সুং জি য়ুননা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী কিম গা উনবু ২১-১৫, ২১-১১দা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা চাইনাগী শান্নরোয় অনী লিন দান অমসুং ঝাও জুন পেংগা থেংনরগনি। লিন দাননা ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী টানোনসাকপু ২১-১৮, ২১-১১দা থোইখি। ঝাওনা জপানগী কোকি ৱতানবেবু ২১-১৩, ১০-২১, ২১-১৯দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা সেমিফাইনেলদা জপানগী কান্তা সুনেয়ামা অমসুং চাইনাগী লু গ্বাং জুগা থেংনগনি। কান্তনা সাউথ কোরিয়াগী দোংহুনবু ১৬-২১, ২২-২০, ২১-৬তা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা লু গ্বাং জুনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা চাইনিজ টাইপৈগী লিন চুন য়িবু ১৭-২১, ২১-১৮, ২১-১০দা থোইরমখি।

নুপাগী দবলসতা সাউথ কোরিয়াগী সোই সোলগু অমসুং সিও সিয়ুং জেনা মলেসিয়াগী পেয়র গো সেম অমদি টান ৱি কিওংগা সেমিফাইনেল লম্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা সেমিফাইনেলদনা চাইনিজ টাইপৈগী লি য়াং অমদি ৱাং চি লিনগী পেয়রনা সাউথ কোরিয়গী কিম ৱোন হো অমসুং পার্ক ক্যুং হুনগা শান্নরগনি।